Sl. No. 15

CS (MAIN) EXAM, 2010

A–DTN–K–JM–12

# MANIPURI

**( Compulsory )**

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
| --- | --- |

## INSTRUCTIONS

**Candidates should attempt ALL questions.**

**The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.**

**Answers must be written in Manipuri (Bengali Script), unless otherwise directed.**

**In the case of Question No. 3, marks will be deducted if the précis is much longer or shorter than the prescribed length.**

1. মখাগী অসিদগী অমতং খল্লগা ৱাহৈ *300* (চহূম) লোমদা ৱারেং অমা ইয়ু : 100

   *(a)* আইননা ইকায়খাঙ মীহাৎ (ওনর কিল্লিং) পু থিংবা ঙমগদ্রা ?

   *(b)* চিঙ্গাক্তা পোৎয়ান তৌবগী খুদোংথীবা।

   *(c)* অপঙ থাজবা অমদি ৱাখল-লৌশিং।

   *(d)* মহৈ-মশিং তম্বা অমদি খুন্নাইগী অহোংবা।

   *(e)* রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্তনা অশেংবা অমদি অচুম্বা লৈঙাক পুরকপা ঙমগদ্রা ?

**2.** মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি কূপ্না পারগা অরোইবদা পীরিবা ৱাহংশিং খুম্মু : 10×6=60

নুমিৎকী মপাঙ্গল (ইনর্জি) হায়বসি অমুক হন্না শেন্দা য়াবা পাঙ্গলগী শরূক অমা ওইনা ফংবদা ৱারবা তাঙবা হেন্গৎলক্লিবা লৈনুংদগী ফংলিবা মৈশা পীনবা পোৎলমশিংদা মপান্তাংবদগী হন্থনবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বেনি। নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবনা ঐখোয়না মালেমসিগী মহৌশাগী খল কায়দনা থন্নবগী অমদি গ্রীনহাউস ইফেক্ত হন্থহন্নবগী অমত্তা ঙায়রবা লম্বী ওইহরি। নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবগী অফবা কয়া লৈদুনসু হৌজিক ফাওবদি পাক-শন্না শীজিন্নবা তৌদ্রি, অমদি মসিনা ফোসিল ফুয়েলগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নবা ঙমদ্রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মসিদা য়াওরিবা শিনশারোল অসিগী মমল য়াম্না ৱাংবা অসিননি। অদুবু চহী খূদিংগী মসিদা চঙলিবা শিনশারোলগী মমল হন্থহন্দুনা শোয়দনা তপ্না তপ্না হান্নগী চৎনবী মওং অদুগী মহুৎ শিনবা ঙমগনি। সরকারনা হৌদোক্লিবা জৱহরলাল নেহরু জাতীয় সোলার মিসন অসি তুংকোইবা, তরু তরুবা ইনর্জিগী হৌরকফম পুথোক্লবগী লমদা য়াম্না শীংথানবা য়াবা খোঙথাং অমনি।

মতৌ অসুন্না নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবগী থবকসিনা মীয়ামদা থবকপীবগী লমদসু অচৌবা কান্নবা পীরি। মসিনা থিজিন-খোৎচিনবদা, অনৌবা শিনশারোলগী মাইগৈদা, থবক ফংহনবদা অখন্নবা হৈথোই শিংথোইবা মগুণ লৈবা থবক মীয়ামদা পীবদা মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি।

মালেমগী শক্তিগী লমজেন্দা ভারতনা তরুকশুবদা লৈরবসু মসিনা হৌজিকসু পৱারগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি। সোলার পিভি-না অসিগুম্বা অৱাবসি খরমখৈ কোকহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা মসিগা মরী লৈনবা খূৎশু-খূৎলায় পুথোক্লিবা কাঙবুদসু ঈথিল পীবা ঙমগনি। ঙসিগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা ৱাফম অমদি ইঞ্জিনিয়ারিং সিস্তেম অমদি মওং হৌদোকপা অমদি শাগৎপনি। মসি

তৌনবগীদমক্তা সোলার পৱার পুথোকপদা চঙলিবা পোৎচঙশিংগী মমল হুহ্হনবনা থৌরাং অসি পায়খৎপদা চঙলিবা মমল হুহ্হনবা ঙমগনি ।

(a) করিগীদমক ঐখোয়না লৈনুংদগী ফংবা মৈশা পীবা পোৎলমশিংদা মপান্তাংবা হুহ্হনগদৌরিবনো ?

(b) নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবগী খুদোংচাবা করিনো ?

(c) হৌজিক ফাওবদা নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা ওইহ্রিবা করিগীনো ?

(d) নুমিৎকী মপাঙ্গলবু মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমহন্নবা করি করি তৌবা তাই ?

(e) নুমিৎকী মপাঙ্গল শীজিন্নবগী থৌরাংসিনা নহারোলশিংদা হৈথোই-শিংথোইবা, মগুণ লৈবা থবক মখলশিং করম্না পীগদৌরিবনো ?

(f) মতৌ করম্না নুমিৎকী মপাঙ্গল অসি মমল য়াম্না চঙহন্দবা ঙমগনি ?

3. মখাদা পীরিবা ৱারেং অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমদা শমজিনবা শমজিন-ৱারোল (প্রেসি) অমা পীয়ু । মসিগী মিংথোল পীগদবা নত্তে । পীরিবা ৱাহৈ মশীংগী মনুংদা খুন্বা ঙমদ্রবদি মার্ক হহ্না পীগনি । প্রেসিগীদমক্তা তোখাইনা পীরিবা চেশিংদা পাউখুমদু ইয়ু অদুগা ইরবা মতৃংদা পাউখুমগী খাতা মনূংদা চেৎনা ফাজিম্লু : 60

কলা হায়বসি করিগুম্বা অকক্লবা মতম অমগী মশক উৎপা ওইরবসু মসিনা হৌখ্রবা মতমগী তাংকক্ অদুগী পংখৈনুংদগী অরিবা ৱাখলগী অমনবা পূক্লিংগী খৃবাম্লুংদগী নাহোকপা ঙস্বা ওইগদবনি । পুন্সিদি লেপ্তনা চেম্থরিবা ঈচেলনি । মসিগী খোঙজেল অসি য়াম্না থুনা অওনবা পুরকপা য়াওল-ঈহৌগী মতমদা হেন্না য়াঙলকই । অসিগুম্বা

মতমদা খুন্নাইগী তংঙায়ফদবা কয়ানা সংস্কৃতিদসু তংঙায়ফদনা অহোংবা পুরকই। মরম অদুনা হান্নগী মরা তাখ্রবা অরিবগী য়ুম্ফম অদু ফে-ফে হাইরকই, অরিবা অমদি অনৌবা অনীগী মরক্তা অচৌবা মূক্লবা অমা থোরকই। অহোংববু অকিবা ফাওরিবা অরিবা সংস্কৃতিবু শৌগৎলিবা কাঙবুনা হান্নগী চৎনবী ফিভম অদু কায়হন্দনা থন্নবা হোৎনবদা মখোয় মশাবু চৎনবীগী অমদি চাওখৎপগী মশকপু ঙাকশেল্লিবা মীশক ওইনা উৎনবা অমসুং হৌরক্লিবা অনৌবগী অচৌবা ঈথকশিংবু থিংননবা হোৎনৈ। অদুবু অহোংবা পাল্লিবা কাঙবুশিংনদি অরিবা চৎনবী, হৌন-লীচৎ কয়াবু ইচঙ থৌনা থেংনবা তাই। করিগীনো হায়ববু খুন্নাইগী য়াওল-ঈহৌ খূদিংমক্তা মসিগী তংঙায়ফদবশিং অদু ফোঙদোকপা ঙস্না সংস্কৃতিগী অহোংবা চঙই। অরিবা হৌখিবা তাংকক্তা শেল্লস্না শক্লোনশিং অদুনা অনৌবা শাফু, অনৌবা থৌওং, মচাক অমদি অনৌবা মীৎয়েংশিংদু উৎপা ঙমদে। অসিগুম্না শীংনবা অসিদা অরিবা নাৎপু কনখৎলিবা কাঙবুনা য়াম্না চাওখৎত্রিবা, লৈবাক মচা তাদবা পাশ্বে ফাওবা শীজিন্নদুনা মখোয় মশামকপু য়াম্না হম্ববা, মীয়াম্না পাম্নদ্রবা মীশক ফাওবা ওইহল্লি। মরমদি করিগুম্না চৎনরোল অমনা মীয়ামদা কান্নবা অমদি লমজিং পীবা ঙম্লকত্রবদা খুন্নাইদা অপনবা পীনবা শাফু ওইরকই। অসিগুম্না অনৌবা খুন্নাই অসিতনা কলাকারবু বিজ্ঞান অমদি সংস্কৃতিগী লম্ খূদিংমক্তা মপূংফানা চাওখৎনবগী খুদোংচাবা পীবা ঙমগনি।

ঙসিদি পুন্সিগী অপূনবা শক্তম অসি কায়রে। থবক থৌওং খূদিংদা অমগা-অমগা তোখায় তানরবা মওং-মরীন তাদ্রবা খুন্নাইসিনা মসিবু য়ুগায়রে। বৈজ্ঞানিকশিংদগী ফিলোসোফর, ইঞ্জিনিয়ারদগী কল্যাকার অমনা অমদগী তোখায় তারে। অমগা-অমগা খাইদোক্লবা য়াদনা তেঙবাংনরিবা, মদুনা অপূনবা শক্তম্বু ফজহল্লিবা, মওং-মরীন নাইহল্লিবা শেত্তোক্লবা য়াদ্রবা পুন্সিগী চাউরবা মিরাং অসিদগী তোখাইনা তাহল্লে।

ঙসিদি, খুদম ওইনা, মেছিন ফাওবদা ইচম চম্বা অমুবা অমোৎপা মৈখু অমদি নুংশিৎ পোকহনবা লেঙওৎপা ঙমদ্রবা জ্যোমিত্রিগী শক্লোন ওইনা লৌবগী মতমদু ওইদ্রে। নোংমদোন অতিয়াগী অমদি মসিগী মখাদা লৈরিবা তান্না উরিবা লমদমগী থক-খা অনী উন্নবগী শরুক অমা ওইখ্রে। অতিয়া অমদি মালেমগী অসিগুম্বা মরী অসি নীংথিজবা অমদি অকল-অথৌগী শক্লোন্দা ঐতিহাসিক কাব্যশিংদা য়েক্লম্বা থেংনৈ। ঙসিদি মেছিন হায়বসি মীওইবগী হকচাং কায়াৎশিংগী অহেনবা শরুক অমা ওইরে। মহৌশাগী পাঙ্গলবু অমসুং মহৌশাগী পোৎলমশিংবু মীওইবনা খুদুম চনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু মখোয়না উৎলরে। অসিগুম্বা লান্ অসি য়াম্না কুইরবনি; মীওইবনা হেক লৈরকপদগী লৈরক্লবনি। নীংথিরবা ঈশৈ, ছন্দ অমদি মচু-মমেলনা থল্লবা অসিগুম্বা লান্ অসি কয়াদা ফাজরিবা।

মীওইবনা করিগুম্বা মহাক্কী অশোনবনা মেছিনবু মপু ওইহনখিবা তারবদি মসিদা লাল্লিবদি মেছিন নত্তে, মীওইবা মশানা থোকহঞ্জবনি। মেছিন মীনা শেম্বনি, শাবনি, মীনা মাঙহনগদবনি। মীনা অরাম্ববুসু লাকশিনবা পাম্মী, মরমদি মসিনা মীবু খুদুম চন্নবা হোৎনৈ। রেদিও হায়বসি সুপ্পতগী মীওইবগী থবোন্নীবু খোঞ্জেল থোকহন্নবা তেংবাংবনি, তেলিফোন্না নাকোংবু হেন্না তাহন্নবনি। এরোপ্লেনবু তাথীরগা শলগারীগী মখোলবুনা নুংশিনা শৈথাবা তারবদি মদু কবিগী অচুম্বা মীৎয়েং নত্তে। মসিদি তুংহন্না চৎপা, কাঙলুপ খরতগী ওইবা অখুবা মীৎয়েংনি। ঙসি ত্রেক্তরনা ওইরিবা অসিগুম্না লাঙ্গোলসু মতম অমদা অঙকপা খুৎলায় ওইরম্মী। মীওইবগী লেপ্পা লৈতনা অনৌ অনৌবা খুৎশু খুৎলায় পুথোকপগী মতীক-মঙনবু থৌওইদবা হায়বসি অহোংবা নাইবা খুন্নাইগী আইন অদুবুসু য়াদবনি। মরম অদুনা অশেংবা কলাকার অমতনা মসি তৌফম্ থোক্তবনি। ‘‘অহিংবশিংনা থরায়পানবা পোকপগুম্না কলাকার অমনা অনৌবা কয়া পুথোকই’’ হায়বসি মেক্সিকোগী ফাওরবা কলাকার রিভেরা দিগোনা হায়রম্মী। ‘‘উপালশিংনা কুম

খুদিংগী মপাল শাংলি, মহৈ য়াল্লি, অদুবু মখোয়না কেনখিবগী-দমক্তদি খক কপ্পে; মথংগী য়েন্নীংথাদা মপাল শাংলকখিনি, মহৈ অমুক য়াল্লকখিনি হায়বসি মখোয়না খঙই।'' কলানা উরিবা-ওইরিবা অদুতা ফোঙদোক্কদবা নত্তে, মরায় চায়থরকপগী, পূক্লিং শোম্ববগী অমসুং মায়থিবগী নত্তবা, অচেৎপা পামজবা কয়াগী, অনৌবা ওইথোকপা য়াবা কয়াগী মরমদসু উৎকদবনি।

4. মখাগী ৱারেং অসি মণিপুরীদা হন্দু : 20

The world does not need extraordinarily talented people. It does not need highly skilled people either. It has plenty of super-intelligent people. We need ordinary people with extraordinary motivation. M. K. Gandhi was an ordinary man with amazing motivation to establish truth and justice. The Wright brothers were ordinary people with a dream of flying.

You can also achieve exceptional results if you are inspired with a higher ideal. Replacing 'inspiration' with 'information' has led to knowledge being viewed as drudgery rather than as pleasure. Education has degenerated to data being transmitted from teacher to the taught without igniting the minds of the young with a higher purpose.

How many of us wake up inspired, looking forward to a day of service? Who among us finds exhilaration in contributing to society?

Life changes magically from boredom to excitement when you are inspired to serve. You redefine norms and achieve the impossible, paving the way to outstanding success. You find happiness at work, not in escaping from it. Most importantly, you evolve spiritually and attain Godhood.

Inspiration gives ordinary people the courage and hope to make life better for themselves and for the posterity. Find inspiration and life will transform into an exciting adventure of self-discovery.

**5.** মখাগী ৱারেং অসি ইংরাজীদা হল্লু : 20

হৌজিক্কী খুন্নাইদা বিজ্ঞাননা লৌরিবা থৌদাংগী মরমদা করিগুম্বা খর হায়বা তারবদি নহারোলশিংনা খঙবদা লায়গদবা, অহলশিংদদি লুগদবা ৱাফমশিং অদু হায়জগে। মসিগী মরমদি নহাশিংদা থোইদোকপা গুণ অমা চেল্লি, মদুদি চহী যাম্ন-যাম্নগা মাঙশিল্লকপা কল্পনাগী মগুণ অসিনি। কল্পনা হায়বসি বিজ্ঞানগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক অমনি। মসি মহৌশানা নহাশিংদা য়াওই। অসিগুম্বা গুণ অসি চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা মাঙশিল্লকই; অদুবু হৌজিক্কী মতমগী ৱারবা মালেমসিদা দরকার ওইরিবদি হায়রিবা গুণ অসিনি।

হৌখিবা চহীচা অহুমসিদা বিজ্ঞাননা পুথোরক্লিবশিংগী ঈথিল খুন্নাইদা চাউনা পীখি। অদুবু মসিনা ঐখোয়গী মালেমসি করম্না শোকহল্লবগে অমদি মসিগীদমক মখোয়না করি তৌবীরবগে হায়বসিদি মী পূম্নমক্না খঙনবদি নত্তে। নিউটনগী মতমদগী হৌনা বিজ্ঞান্না পুথোরক্লিবশিংদা য়ূম্ফম ওইরিবা টেক্নোলোজিগী মতেংনা মীনা মশাগী কান্নবা অমদি নুংঙাইবা কয়া ফংবা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙমখি। মদুদগী বিজ্ঞানবু অনা লাইয়েংদা শীজিন্নদুনা পুন্সি-নুংশাংনা হিংবা য়াই হায়বসি মখোয়না খঙবা ঙমখি।

লেনার্দো দা ভিন্সিগী মতমদগী বিজ্ঞানগী মতেংনা লানফমদা মায় পাকপা য়াই হায়বসি মীনা খঙবা ঙমখি। চহী কয়া হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা শিনশারোলগী লৌশিংগী খোঞ্জেন অসুম অসুম হৌরকখি, সাইন্তিস্ত অমসুং টেক্নোলোজিস্তশিংগী মী মশিং হেঙ্গৎলকখি। অসুম্না টেক্নোলোজিকেল মেতরিয়েলিজম হায়বসি থোরকখি।

6. *(a)* মখাদা পীরিবা ৱাহৈ কাঙলূপশিংগী অর্থ পীয়ু অমসুং মখোয়শিং অদুগী ৱাহৈপরেং অমমম্ শেম্মু : 3×6=18

মখূৎ শাংবা ; মায় থকপা ; ঙক য়োনবা ; মশোঙ লৈবা ; খূত্তা হামদুনা চাবা ; খোংদনা চীকপা।

*(b)* মখাগী ৱাহৈশিং অসিগী তোঙান-তোঙানবা অর্থ পীদুনা ৱাহৈপরেং অনী অনী শেম্মু : 2×6=12

পাবা ; পৈবা ; কনবা ; লাবা ; থীবা ; চাবা।

*(c)* মখাগী ৱাহৈশিং অসি ৱাহৈ খরনা ইথোকতুনা তাকউ : 1×5=5

নীঙোনকা ; উয়োক ; ঙারুবাক্ ; শেলফু ; ইন্নফি।

*(d)* মখাগী ৱাহৈশিং অসি থৌগল্লোন ৱাহৈনা মহুৎ শিল্লু : 1×5=5

ঈশিং থকপা ; তূম্বা ; চৎপা ; লৈপরেং শিবা ; ঈরুজবা।

★ ★ ★